ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩২৯শুবা মশীং

# অমনবা গাড়ী চেলহন্দনবা থৌরাং

## পোল্যুসন হন্থহন্নবগী থৌরাং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিব্রা?

কা হেন্না মল্লবা অমসুং অরিবা গাড়ীশিং লম্বীদা চেলহন্দনবগী মতাংদা যুনিয়ন রোদ ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লি। পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা অরিবা গাড়ীশিং তাঙ্কক নাইনা চেলহন্দনবা 'ভেহিকল স্ক্রেপেজ পোলিসি' অমা পায়খৎলকপনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা কম্মর্সিয়ল ভেহিকলশিংদা মীৎয়েং চঙলগা প্রাইভেট ভেহিকলশিংদা খূৎ থাগদৌরি। রোদ ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী ১৫ হেল্লবা কম্মর্সিয়ল ভেহিকলশিং অমসুং চহী ২০ হেল্লবা প্রাইভেট ভেহিকলশিং মখা তানা লম্বীদা চেলহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি। থৌরাং অসিমক যুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ফেব্রুৱারী ১দা বডজেটকী ৱারোল পীবদা লাউথোকখ্রবনি। রোদ ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবা, মরু ওইনা ওটোমেটেদ ফিটনেস টেষ্টিং সেন্টর অমসুং স্ক্রেপেজ সেন্টর মতিক চাদবা মরম্না থৌরাং অসি তাঙ্কক নাইনা পায়খৎপা মথৌ তাই। থৌশিল অসি হেক চৎনবা হৌরবদি চহী ১৫ হেল্লবা কম্মর্সিয়ল ভেহিকলশিং ফিটনেস টেষ্ট তৌগনি অমসুং ফীভম শোক্লবা গাড়ীশিংগী ফিটনেস সর্টিফিকেট রিন্যু তৌহন্দবগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন কক্তুনা লম্বীদা মখা তানা চেলহল্লরোই। অরিবা অমসুং ফিট ওইদবা গাড়ীশিং মখা তানা চেলহন্দনবগী ৱাখল্লোন্দা য়াল্লবা শেনফম অমা ফাইন ওইনা থিহন্নবগী থৌরাং অমসু লৌখৎকদৌরি। কনাগুম্বনা মশানা খঙনা অরিবা গাড়ীগী রেজিষ্ট্রেসন ককহন্দুনা স্ক্রেপ তৌহল্লগা অনৌবা গাড়ী অমা লৈগে হায়না থোরক্লবদি মতেং পাংবীবা ওইনা রেজিষ্ট্রেসন ফী লৌরোই হায়রি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা সোসাইটি ওফ ইন্দিয়ন ওটোমোবাইল মেন্যুফেকচররস (এস আই এ এম) গী দিরেক্টর জেনরেল রাজেশ মেনননা হায়খি, অরিবা গাড়ীশিং ফাগৎলগা কোঞ্চাক ওইনা চপখায়বগী থৌরাং অসিগা ইরোয়ননা জি এস টি, রোদ টেক্স অমদি রেজিষ্ট্রেসন টেক্স হন্থনা লৌবনচিংবা ইন্সেন্টিভ খরসু পীবা মথৌ তাই। চাং নাইনা গাড়ীগী ফিটনেস টেষ্ট তৌরগা সর্টিফিকেট পীবগী তঙাইফদবা ৱাফম পল্লদুনা রাজেশ মেনননা হায়খি, লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা অঙৈং-অশাগী খল কায়হন্দনা থম্বদা মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা মপান লৈবাক্তগী গাড়ী শাবদা চঙবা মচাক-মথুমশিং লৈবগী চাং হন্থহল্লগনি। অরিবা গাড়ীশিংগী চপখায়খ্রবা মচাক-মথুমশিং (মেটেলশিং) অনৌবা গাড়ী শাবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি। হৌখিবা জন্যুৱারী থাদা ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং অমা লাউথোক্লদুনা হায়খি মদুদি চহী ১৫ হেল্লবা গাড়ীশিং মখা তানা লম্বীদা চেলহল্লরোই। অরিবা কম্মর্সিয়ল ভেহিকলশিংগী ফিটনেস সর্টিফিকেট রিন্যু তৌবদা শেল কা হেন্না লৌরগনি। চহী ২০ হেল্লবা প্রাইভেট ভেহিকলশিংগী রেজিষ্ট্রেসন রিন্যু তৌবদসু শেল কা হেন্না লৌবগা লোয়ননা পোল্যুসন থোকহনবা গাড়ীশিংদা গ্রীন টেক্স লৌরগনি। কম্মর্সিয়ল ভেহিকলগী ফিটনেস সর্টিফিকেট রিন্যু তৌবদা লুপা ২০০ লৌরম্বদগী লুপা ৭,৫০০ দা হেনগৎলগনি হায়রি। হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা কাঙলোন অমগী মতুংইন্না চহী ৮ হেল্লবা কম্মর্সিয়ল ভেহিকলশিং চহী খুদিংগী ফিটনেস সর্টিফিকেট রিন্যু তৌগদবনি। সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকল রুলসকী মতুংইন্না প্রাইভেট ভেহিকল খুদিংমক চহী ১৫গী মতুংদা রেজিষ্ট্রেসন রিন্যু তৌগদবনি হায়রি। অরিবা অমসুং কা হেন্না মল্লবা গাড়ীশিং চেলহন্দনবগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না থাজনরি। অদুবু ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবা মরম্না থৌরাং অসি মায় পাকহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। ইন্দিয়াদা হৌজিক ওটোমেটিক ফিটনেস টেষ্ট সেন্টর তরেৎ অমসুং ওথোরাইজ স্ক্রেপেজ সেন্টর অনীখক লৈ। লৈবাক অসিদা চেল্লিবা চহী ১৫ হেল্লবা বস অমসুং ত্রক্কী মশীংদি লাখ ৭ হেন্না লৈরি। মসিগীসু মথক্তা অমনবা প্রাইভেট ভেহিকল ময়াম অমা লৈরি। ফীভম অসিদা মতৌ করম্না ভেহিকল স্ক্রেপেজ পোলিসি পায়খৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তারি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ 'চিত্রলেখা' হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) "হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা/ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঞ্জাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঞ্জাং শানা পীজগে।" মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মোবাইল ফোনগী অঙকপা মগুনশিং

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৪৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**



মোবাইল ফোন, মোবাইল ফোন! মোবাইল ফোন অসি হৌজিক্তি ইশাদা নুংতিগী লোয়নদবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইরক্লে। পিকখ্রবা অঙাংদগী হৌরগা অহল ওইরবশিং ফাওবদা মোবাইল ফোন অসি নুংতিগী থাদোকপা শুকয়া য়াদ্রবা পোৎশক হায়বদু ওইরক্লে। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী শঙ্গোম চা, য়েরূম, অহাউ-অথুমগী ব্রেকফাষ্ট চাবগুম চা, চুরুট, খৈনি থাদোকপা য়ানদবগুম মোবাইল ফোন হেক থাদোকপা মতমদা মীয়ামসি ঙাওদুনা চৎনগদবগুম তৌখৎলক্লে।

নুংতিগী ঐখোয়না ইমুং-মনুংগী ৱাৎপা শুকয়া য়াদবা অমা ওইনা লৈনরিবা ঙারি-ঙাতাই, থাউ-থুম, চেঙ-হৱাই, নুংতিগী চিন শেংনরিবা টুথপেষ্ট, শাপোন, হকচাং তৈনবা গ্লিসরিন, মায়তৈ ইীদাক, পাওদর হায়বসি ৱাৎপা শুকয়া য়াদ্রবা পোৎচাক অমা ওইনা মোবাইল ফোনগী রি-চার্জ হাপ্তবা শুকয়া হেক য়াদে। মোবাইল ফোনগী বেলেন্স হেক তৎখিবদা ঈ-পাউ শুকফাও ফাওনদবা খুন্নাই অমদা লৈবগুম ইচিক-চিকপা মী কনাসু তাদ্রবা, ঈ-পাউ শুকফাও ফাওনদ্রবা আইলেন্দ নৎত্রগা ইশুক শুকপা মফম অমদা হায়ফম খঙদবা মখৈ ৱানা লেনবগুম খন্নরক্লে। রি-চার্জ কাপ্পদা নুমিৎ ২৮নিগী, ৫৬নিগী, থা অহুমগী ... হাপ্তবা য়ারক্ত্রে। লুপা ২৪৯, ২৯৯, ৪৪৯ নৎত্রগা করি করিনো পেক হাপত্রগদি ফোন তৌবা, ৱারী শাবা, নেট হাংদুনা নুংঙাইরবা ঈ-পাউ, য়ুট্যুব, ইন্সটাগ্রাম, ফেসবুকনচিংবা হাংদুনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা য়াররোই। অসিগুম্বা ময়াম অসিগী নুংঙাইবা হেক তৎখিবা মতমদা য়ূম খুদিংগী অঙাংদগী নৎত্রগা অহলদগী নিংঙাই তৌখৎলক্কনি। রি-চার্জ কাপফমদা চৎতুনা নৎত্রগা য়ূমগী ওইরবসু ফোন্দগী ফোন্দা বেলেন্স কাপত্রগদি ইমুং-মনুং মহী লাংবগী ফীভমদা লাক্লে। কয়াদা নুংঙাইরবনো! অনৌবা চককী অনৌবা মহাউনি হায়বা তাই।

অনৌবা চককী অনৌবা মহাউনা ঐখোয়বু অসুক য়াম্না নুংঙাইবা পীরবা কান্নবা লৌনরবা মতম অসিদা কান্নদবা পোৎ অমা ওইনা শীজিন্নরক্তুনা খুদোংথীবা তাখিবা, ইকায় ফিরুক খুমখিবা কয়া অমসু য়াওনখ্রে। অমুক হন্না তৌজররোই, লাঞ্জরে হায়না শেংদোক্লখিবা কয়া অমা লৈখ্রে। অদুগা মরু ওইনা ইমুং অমদা শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনশিংগী নোংমগী, থাগী নৎত্রগা চহীগী ওইনা চৎখিগদবা বডজেট পাবা য়ারে। মোবাইল ফোন হায়রগা হেন্দসেট অমখক লৈরুরগা পায়বা য়াবা নত্তে। মানা চাবা মচিঞ্জাক হায়গদ্রা হেক হাপহৌদবা মতমদা মখোন পে ফাওবা লাউররোই, মখোল থোক্লরোই। রিং টোন করি-করা চপ লেপখিনি। অদুনা মরম ওইরগা মচিঞ্জাক হাপ্তবা য়াদে। ঙসাই ঐনা হায়জখিবা, ইজখিবা নেট পেককী তোঙান তোঙানবা শেনফমনা ঐনা পায়জরিবা চহী ২০ ময়া শুজিল্লক্লবা এয়রটেল সিম কার্দকী ৱানি। মানা মানা পায়নরিবা তোঙান তোঙানবা সিম কার্দশিংগী খেন্নবা শেলহাপ শোয়দনা লৈরমগনি। স্মোল ফেমিলি ওইনা চিক্লা নুংঙাইনা পাঞ্জবা ঐখোয় ইমুংদা ঐনে, নুপীনে, ইচাশিংনে পায়নরিবসি হেন্দসেট ৬কী মথক্তনি। অদুনদি পায়নরিবা ফোনগী ফোনগী থাগী শেলহুন হুনবতদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ২/৩গী মথক্তনি। মসিমক ঐগী ইমুংগী ওইনা থাগী ওইনা চৎখিবা মৈগী, ঈশিংগী, অচা-অথক্কী, দেব কর্ম্ম য়াওরুবগী, পোৎয়েং শেল অমদি অতৈ অতৈ চৎখিবা শেনফমদগী হেনগৎলকপনি। তাথরকপদি শুকনৎ হেক নত্তে। পেট্রোল লিটরদা লুপা ১০০ ময়া য়ৌশিল্লকপা, চেঙগী, হৱাইগী, ঙারি-ঙাতাই, মনা-মশিং, থাউ-থুম, অকে অমৌগী চঙফদ্রবা আইটেমশিংগী মমল হেনগৎখিবগী মথক্তা অহেনবা চাদিং অমুক হাপচিল্লকপনি হায়দবা ঙল্লোই। পোৎ-চৈগী মমলসিবো করিনো তৌরিবা অসিবো! হৱাই কাংতক্কী মমলসু কিলোদা লুপা ৯০ য়ৌরম্লে। লুপা ৫৫/৬০ পীরম্বদু কুইদ্রিবোই নীংই। অরহর দাল, লৈবাক হৱাই, শগোল হৱাই, চনা মমলনা কেজিদা লুপা ১৩০/১৪০গী মথক্তা লোইনা লানখৎখ্রে। মসিদা ঐখোয়না পায়নরিবা মোবাইল ফোনশিংগী থাগী ওইবা মচিঞ্জাক অমুক হাপচিল্লক্লিবনি। অদুনদি শেল চৎপগী চাং অসি চাংচত্তা নুংতিগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। শেন্থোক লৈজদবা, অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা লায়রবশিংগী হিংফম লৈরক্তবগী মওংনি।

অদুবু হায়বগী ৱানি মোবাইল ফোন নহাক অসি জীব পানবা অমগুম নেট পেককী চিঞ্জাক চাজরবসু অহিংবা পোৎলম অমগুম শেলনা নচিঞ্জাক হুনদবা য়াদ্রগসু নহাক্কী কান্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হৌজিক পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৯৫ খরা ৱাৎতক হেল্লপ্তা লৈরগসু থাংমৈবন্দদা লৈবা ইচে, ইবাইগী লুহোং খোংদোংবা, নাহুৎ নারেং নৎত্রগা অতোপ্পা হীরম অমগী চেবাউ পীবদা গাড়ী থাউ হান্দ্রবসু য়ারে। হল্লো ইচে, ইবাই তারিখ অসুক্তা লুহোংবা অমা লৈরে, শঙ্গাবা, শোরাৎ, নাহুৎপা, কুমওন, শ্ৰাষ্টি পুজা অমা লৈরে, ৱাটসএপতা ফোটো নল্লগা থারক্লগে হায়খ্রগা নল্লগা কিৎ নমদুনা অদুম থাখ্রগা লোইরে। লুপা ১০০ তিংদ্রবসু য়ানরে। মসিসু অনৌবা অওনবা চাওখৎপগী মনুংঙাই অমনি। খঙলমদবা, শুকখঙ খঙলুদ্রবা হীরম কয়ামরুমগী পাউনা গুগলদা কিৎ নল্লুরগা শৎ-শৎ পাইথোরক্কনি। খোগোপ্পা শিৎ নান্না খঙবা য়ারে। অসুক নুংঙাইখ্রবা চক অসিবো করিনো! শেল থারে, শেল চিংলে, ইলেক্ট্রিক্কী, ঈশিংগী, বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌবগী, এরোপ্লেন টিকেৎ ককপগী, ত্রেনগী, বসকী, হোস্পিটালগী পূন্নমক্কী থাদোক থাজিনগী মহুৎ মোবাই ফোন্দা তৌদবা য়াদবা অমত্তা লৈরক্ত্রে। ঈ-পাউ ফাওনরে মোবাইল, ফোটো নল্লে, রেকোর্দিং তৌরে মোবাইল, অঙাংশিংনা গেম শান্নরে মোবাইল। মোবাইল ফোন নঙতনা পূন্নমক্কী মহুৎ শিল্লক্লি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওইনসু হীরম খুদিংমক্তা মোবাইল ফোন নহাকপু শীজিন্নরক্তবা য়ারক্ত্রে। নহাক্কী নগুন অসিসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অরোইবদা মোবাইল ফোন অসি ঐখোয়না অফবা অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্নরসি হায়জনীংলকই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওই কাঙবুশিং/ফুরুপশিংগী মমালোলশিং চাওখৎহনবদা তঙাইফদবা থৌওং খরদি - লোলদু ঙাঙগদবা মীগী মশীং, পায়খৎকদবা খোঙথাং, য়োকখৎনবা/চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা চঙবা শেল-থুম, অখন্নবা থৌরাং/থৌশিল শোয়দনা মথৌ তাগদ্রা খঞ্জে।

লোলদু ঙাঙবা মী মশীং য়াম্বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক ওইগনি খঞ্জে। লোল অমগী মপুন্সি হায়বসিসু মসিনা ওইফম থোকই। মরমদি লোলদু ঙাঙফম থোকপা মীশিংদি য়াল্লগা করিগুম্বা মরম খরদগী মমালোলদু ঙাঙদদুনা অতোপ্পা মীওই কাঙবু/ফুরুপ অমগী লোল ওইনা ঙাঙদুনা/ইদুনা লৈরবদি লোলদুগী (মশাগীদু) চন্নফম ৱাৎলক্কনি হায়না লৌবা য়ারক্কনি। মসিগী ওইথোকপা য়াবা মরম খরদি- মালেমগী ওইনা চহী চা খরগী মমাঙদগী মালেমগী লৈবাক খরদসু চাওখৎলকপগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তা লৈবাক অমগী মীওই ফুরুপ অমগা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মীওই ফুরুপ অমগা চারৌ মৌরৌনরকপদগী থোক্কল্লি হায়বা য়াই। মসি করিদগী থোক্লকইবনো হায়বদা নুপাবু ওইরো, নুপীবু ওইরো অৱাংবা থাক্কী শিনফমগা মরী লৈনবা মহৈ মশীন খরা চাওখৎপা মীরৈবাক্তা তম্বা/থবক তৌবা চৎপদা মখোয় মশেল অহানবদা খঙন-চান্নরকপা, মথংদা শিনফম মান্নবদগী হেন্না নকশিন্নবা মরী থম্নরকপা হায়বসিদগী ওইগল্লি। হায়রিবা ফীভমসিমক ইরমদমগী মহৈ মশীন মতিক চানা হৈরবী নুপীমচাশিংদা অয়াম্বা থোকই। থৌওংসি লমদমসিগী খুন্নাইদা চাওখৎপগী মমি তাবনি হায়গদ্রা তোয়না থোকচিল্লকপদগী অরেম্বা চৎনবী অমগুম্না লৌনরকপগুম তৌবসি তশেংনা হায়বা তারবদি অফবা নত্তে হায়বা য়াই। অনীশুবা অতোপ্পা মরম অমদি লমদমসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন হৈরবা নুপাশিংনা মরোল তিন্নদবা মীরমগী নুপী (চনু নিংঙোল) লৌবসিসুনি। অহুমশুবা মরম অমনা মশানা চাওখৎলে খনবা মীরৈবাক অমদা সিটিজনশিপ লৌরগা লৈতা-খুন্দাদুনা লৈখিবা। খুদম ওইনা, ইরমদমগী নুপা (পিবা) ওইবনা খরা হেন্না চাওখৎপা/থাক মান্ননা চাওখৎপা অতোপ্পা লম/কন্ত্রি অমগী নুপী (চনু নিংঙোল) অমদা লুহোংদুনা লৌবদা অহানবদা নুপা (পিবা) দুগী লোল ওইনা খঙহন্দুনা লুহোংলিবা নুপী (চনু নিংঙোল) অদুদা ঙাঙহনবা ঙল্লবদি অতোংবনি হায়না লৌগদবদু করিগুম্বা ঙমদবা থোক্লবদি নুপী (চনু নিংঙোল) দুগীদা ওইনা তোংজবা হায়বদু ওইখিগদৌরিবনি। মথংদা মচা-মশুশিংসু মীরোল হায়বদি মমাগী মরোল (ঐখোয়গীদনা মীরোল) ওইনা ঙাঙখিবা য়াবনা - মহৌশাগী ওইবা মওং 'অমনা তোংলবদি অমনা মাঙবা' হায়বসি অদুম শোয়দনা থোক্লগদবনি।

অমবু ওইরবসু ইরমদমগী চনু নিংঙোল অমনা মরোল তিন্নদবা অমদা ময়ূম পানখিবদদি মীরোল ঙাঙখিবা হায়বসি হৌনশানি। ইরমদমগী পিবানা মীরোল ঙাঙখিবা তারকপা, ইরমদমগী চনু নিংঙোল অমনা অমুক মীরমদা ময়ূম পানখিবা থোকপা - অসিগুম্বা থৌওংশিংসিনা মশীং হেনগৎলক্লবদি/তোয়শিল্লক্লবদি ইরমদমগী/লমদম অমগী লোল অমদি চৎন-লোনচৎ ময়েং তাথরকপা হায়বসিসু মহৌশানি। মেথমেটিক্সকী মওংদা হায়বা তারগনা 'ইক্সেসন অমদা চপ মান্নবা মশীং অমা নাকল অনীদা তিনশিন্নবা নৎত্রগা খায়দোকপা মতমদা রিজল্টতু চপ মান্নবা মওং ওইরবসু খুন্নাই অনীগীদদি চপ মান্নবা ফীভম ওইবা হায়বসি থবক ওইনা থোকপদা খরা ৱাগদবা থৌওংনি। মসিদগী খজিক্তং তায়োন্নবা মওংদা - শিবা হায়বসিদি তম্বা ঙমদবগী ফীভম ওইবনা লমদম অমগী মী মশীং (লোল মান্নবা) তোয়না শিরবদি মীশি হন্থরকপদগী লোলদু ঙাঙগদবা মী মশীং হন্থরকপা হায়বসিসু হৌনশানি। মালেমগী ওইনা মীশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপদগী মখল মখাগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরকপা থিংনবগী পান্দমদা লৈবাক খরগী লৈঙাক মপুশিংনা অঙাং পোকপা মশীং হন্থহন্নবা অখন্নবা লৈঙাক্কী থৌরাং/থৌশিলগী শরুক অমা ওইনা ফেমিলি প্লান্নিং তৌবদগী হান্নদগী মীশিং পংয়াম য়ামজদবা মীওই ফুরুপ খরদদি তুং কোইনা মমালোল ঙাঙবীনবা মীশিং ৱাৎলকপদগী অচৌবা অকিবা ফীভম মায়োক্লরকপা য়ারিপোৎনি। অসিগুম্বা ফীভমদগী ওইরম্বসু য়াই - য়ুনেস্কোনা মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা য়াবা লোল মশীং লিশীং তরুকলোম লৈরে হায়রিবসি। মসি য়াম্না নুংনাংনীংঙাইহনি। মীরৈবাক নৎতবীদা ইন্দিয়া মনুংদা থোকপা মশাগী মমালোল ঙাঙদবা থৌওং (কেস) অনীগী মরমদা শল্লপ্লা থমজগে।

ইরমদমগী মপান লমদা থবক তৌবা নুপা অনীনা ইরোল ইয়েক তিন্নদবা ষ্টেট অনীগী চনু নিংঙোল অমমম লৌরগা মপান্দা অদুম লৈদুনা মচানুপা অনী/অনী পোকই। মীরমগী চনু নিংঙোল অনীদুগী মাগী মাগী নুপাশিং ইরমদমসিদা পোল্লগা চাওখিবা ইমালোল মীতৈলোল ঙাঙবা অনীদুনা লৌরিবা মীরমগী চনু নিংঙোল অনীদু মীতৈলোল ফজনা অশংবা মতমদা তম্বীদুনা খঙহন্দবদগী অমনা মশাগী শিনফম ডাক্টর ওইরগা মানা লৈরিবা ষ্টেটতুগী মমালোল ঙাঙবী নর্স ওইবী অমা লৌবদগী মখোয় ইমুংগী ওইনা ইংলিসনা মমালোল ওইনা লৌবদগী মচানুপা অনীদুসু ইংলিসনা মরোল ওইরে। লাইনীং লাইশোন্দি হিন্দুইজমনি। অনীশুবদুনা ইন্দিয়ান আর্মিদা ওনরেরি কেপ্তেন ওইরবা অমনি। মচানুপা অমনা এন দি এ পাস তৌরগা ইন্দিয়ান আর্মিদা কেপ্তেন ওইহল্লকপগীদমক মপাবুসু ওনরেরি কেপ্টেন ওইনা থবক তোক্লমদাইদা প্রমোসন পীখিবনি হায়না ঙসিদগী চহী ৩৫ রোমগী অদুৱাইদা হায়খি। মমাগা মচাগনা হিন্দি অমদি অসামিজদা ৱারী অদুম শান্নরগা, অপোকপা মপা মীতৈ মচাদুগনা হিন্দিদা শানৈ। মরমদি মপাদু মপান্দা লৈরগা ইন্দিয়ন আর্মিদা জে সী ও ওইনা মতম শাংনা থবক তৌবনা হিন্দি ঙাঙবদি মমালোলগা পাঞ্খক ওইরে হায়বা য়াই।

ইতোপ তোপ্পা মওং অমনা, মপা-মমা অনীমক মীতৈদি ওইরগা লমদমসিগী ৱাংমদা লৈবা ষ্টেট অমদা মশাগী লম লৈরগা বিল্ডিং শাগৎতুনা লমদুগী মী ওইনা খুন্দা লৈতানা, মফমদুদা থবক ইনখাং তৌদুনা লৈবনা, মচানুপাদুসু লমদমদুগী মমান্নবা কয়া তিন্নরকপনা মপা-মমাগী মরোল খঙদবা নহা অমা ওইনা মণিপুরগী লাইফম খরা খুরুম্বা লাকপদা তান চান্নরুবদগী থেংনরকপনি। মশাসু মপান লমদা সেন্ট্রেল সর্ভিস অমা তৌবনা মীতৈলোল ঙাঙবগী খুদোংচাবা ফংদবনরা কৈনো মীতৈলোল মচেৎ অমত্তা ঙাঙদে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অফবা লম্বী হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

নুংশিবদা হৌরকপা খঙদে উদেদা হায়রুবা য়ারোইদৌরিবনি। মশক উদবা হায়ফম খঙদবা থৌওং থৌদা অমনা খঙহৌদনা হৌরকখিবা কনা অমত্তনসু ইনশিল্লুবা নত্তে। মসিদি মথন্তগী ওইনা হৌরকখিবা শাহৌ হায়বদুনি। নুংশিরবা চিন্না হায়রুবা তৌদ্রবসু থম্মোয়দুনা শোয়দনমক্কী নুংশিবগী শাহুমদুমদি ফাওরমদৌরিবনি। মশক উদবা থম্মোয়গী ওইবা লাই অমদি শুংশোয় শোয়দনা লৈ হায়বসিমদি মীহৌরোল কয়াদগী থাজবা ওইনা অদুমক লৈরক্লবনি। শাবী-শানৌগী নুংশি ৱারীদা কনানসু থিংবা ঙমদনা মায়থীবা নংখিবনা মশীং অয়াম্বনি। হিংনা-হিংনা পুন্সিদা শকখঙ মায়খঙনদ্রিবা শাবী-শানৌ অনীদু করিগুম্বা মতমদা পলেম পন্থৌ অনীনা মনুং মতম চারে খন্দুনা হায়না-শিংনদুনা লৌনা লৈননবা শিনবা মসিগা লোয়ননা পুন্সি লৈপুনগী লম্বী শেম্বীবদা লৈকায়গী, খুঙ্গংগী, শাগৈ-নাতৈগী, মরী-মতাগী, মরুপ-মপাংগী মফমদা চেপাউ চৎতুনা অফবা নুমিৎ অমদা ৱারোইপোৎ (মসিমদি চেপাউদা হাপ্তবনি), হৈজিংপোৎ পুদুনা পুন্সি লৈপুন (লুহোংবা) পাঙথোকপা নুংশিবা করিসু খঙজদবা শাবী-শানৌ অনীদুনা অঙৌবা কুন্দো পরেংনা শাখি থমদুনা পুন্সি লৈপুন শেমখিবা নুমিৎ অদুদগী নুংশিবগী ঈনোৎ হাপখিবা শাবী-শানৌ অনীমক অমত্তনি খন্দৌরিবনি। নোংম-নোংমগী নুংশিবা কৌবা মনিলনা হাইদোক্লুদ্রবসু, ফোঙদোক্লুদ্রবসু নুংশিবা হায়বা অদুমা নমদুনা ওইখিদৌরিবনি। কনানসু থিংবা ঙল্লরোইদবা কনখ্রবা মীওইবা কাঙলূপ্তা শোয়দনা থেংনদুনা লৈরগদবা নুংশিবা! নুংশিবদা মথেল ময়াম অমা লৈদুনসু শাবী-শানৌ অনীগী নুংশি লম্বীসিদগী হেনবা অতৈ অমমুক লৈরমগদবা মান্দ্রবনি। নুংশি পন্থুংনগনি থাজদুনা নুংশি লম্বীদা খোঙদারুবা, অয়েৎপা অপনবা লাকপদগী ... শাবী-শানৌ অনীমক অমত্তা ওইনা তুংথা-মাংথা মীরমলেন্দগী লাইরমলেন্দা চৎমিন্নখিবা মসিসু য়াওদবদি নত্তে।

নুংশিবদি থাংদোক-থাংজিন তৌবা য়াবা নত্তবনিনা লেপখ্রবদি লেপখ্রে খনবসিনা মমা-মপা ওইবা অনীনা পেঞ্জদবগী পিরাং নমদনা শিন্থদনিংঙাই লৈরোই। হায়না শিংনদুনা পুন্সি-লৈপুন শেমদুনা য়ূমলেপ চারা তমখ্রবা তমখ্রবী শাবী-শানৌ অনীদুগী মতমগী মতুংইন্না চাদ-নাওদাবা লাক্লবা অহানবদা য়েৎকী লমদাং ওইনা পোক্লবা মমা ওইবীদুগী খ্বাইদগী নুংঙাইজবা হরাওজবা ওইদৌরিবনি। মরমদি কৈরোই লৈকায়গী কনা কনাগুম্বগী মচা-মশুগী পুন্সি লৈপুনগী থৌদোক ৱাথোক্কীদমক্তা যাত্রা পুনবগীদমক খল্লকপদা মহাক্কী মমিং শোয়দনা য়াওদৌরিবনি। মসি নুপী ওইবীশিংদা লোয়নমক ওইগদবনি হায়বা লৈতবনি। নুপীনা যাত্রা পুবা ফংলিবসি পুজগে হায়দুনা ৱানোম চিনহাই তৌবদা ফংগদবা নত্তে। তৌগদৌরিবা য়ূম্লুদুগী থৌবুরেলদুগী অপাম্বদা চৎকদৌরিবনি। মশক মতৌ ফজবী, চুং ফিরাল চাবী নুপী ওইবীগী লৈতেংদা ৱাৎত্রবী অদুগুম্বী নুপী অদুমক শোয়দনা লৈকায়গী, খুলদুগী হায়ন-শিংনবা, চেনবা চোঙবদা যাত্রা পুদনীংঙাই লৈরোই। মসিসু মচা নুপানা অহানবা পোক্ত্রবদি কনানসু পাম্নমা থওইদবনি। কনাগুম্বা নুপী খরদি যাত্রা পুরিবা নুপী অদুবু কলক্তনিংঙাই লৈরোই। শিত্রা লৈত্রবী চুং-ফিরাল চারবী চংখোল্লবী মহাক অদুনা যাত্রাগী লম্বীদা শোয়দনা চাকথুং ফংগদৌরিবনি। হায়না শিংনদুনা লৌন-লৈনবনি হায়দুনসু চহীনবু য়াল্লবা মচা নুপানা অহানবা পোক্লবসু কনানসু হায়বীগদবা নত্তে। খঙদবা মীনা খঙদ্রবসু অখঙবা মীওইশিংনদি যাত্রা পুরিবী নুপীদি মমুৎ তানা য়েংনরিবনি। শিত্রা লৈত্রবী য়াত্রা পুবীনবা থিবদা লৈত্রবদি খাউয়ৈদা মচানুপা অহানবা পোকপদু যাত্রা পুবসু য়াওরিবা পোৎনি। লিক্লম নাইনা চৎন-কাঙলোন কাইদনা হে! হা! তোংদবা মখৈ থক-খা নাইনা চৎলিবা, মথক থোংবদা হঙ্গৎনা খুম্বগী থৌনা লৈজদবা-লৈজদবী মখোয়দুনা পোকপা মচা-মশুদুদি শোয়দনা অফবা ওইদনীংঙাই লৈরোই। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। নুপী ওইবীশিংগী ফজবা শবান, ফজবা মায়থোঙ তশেং তশেংবদি ইরুজবা কারকপা মতম, অয়ূক্কী য়াহৌরকপা মতম অনীসিদা চাওরাকপা খরদি তশেং তশেংনা খঙলগদবনি। চৎথোক-খোৎতোকপদা লৈজবী থাদনা তৈশিনবা য়াবা ময়াম অমা তৈশিন্দুনা ফজরবনি হায়দুনা মশা মথন্তা খঞ্জদুনা মসি অনম্বা নুপী ওইবীশিংদা অদুমক চৎনবী অমা ওইনা লৈরবনি। নুপী ওইবীশিংগী ফজবা নুপী ওইবীশিংনা লেপচগদবা নত্তে। নুপী ওইবীশিংগী ফজবদি নুপানা লেপকদবনি। নুপাগী ফজবনা নুপী ওইবীশিংনা লেপকদবনি। মসি হায়জিনবগী ৱাফম নত্তবনি। নুপাগা নুপীগা কনানা ফজবা হেনবগে? অনীসিগী মনুংদা অমদি অদুমক লৈরগদবনি। প্রমান অমদা য়েন লাবগা য়েন অমোমগা, ৱাহোং লাবগা ৱাহোং অমোমগা কনানা ফজবা হেনবগে? লৌনা লৈনবদা য়েক থোক্লবা... চারৌ-মৌরৌনবা য়াদে হায়না পারি-পুরিশিংনা হায়বীরম্বা-তাকপীরম্বা কান্ন-কান্নরবা খুদিংমক থওই-ৱাওইদনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মচাদা মশুদা অশোয়বা খুদম লাক্কদৌরিবনি। মসিদা নত্তনা শাগৈগী পিবা ওইগদবা মদু ফাওবা শাগৈগী অহল-লমনশিংনা অপনবা পীদৌরিবনি। ইনখৎলকপা মতমদা অহল ওইরবা-ওইরবীশিংগী মনাক্তা ফমদুনা চারৌ-মৌরৌনবা, লৌনা লৈনবা য়াদবা করিনো খঙনবগী মথৌ ওইরবনি। মসিদা থাজদনা থওই-ৱাওইদ্রবা মতুং তারকপদা অশোয়বা হায়বদু ওইদৌরিবনি। থোকখ্রবা হৌখ্রবা মতুংদা করিনুংগীনো খনবদি থিংনবগী লম্বীদা কান্নবা হায়বদু ওইররোইদবনি। চাওখৎলবা মতমসিদা মথায় থায়নগী ৱাবু থাজদ্রবা থওইদ্রবা ফত্তবা ওইরক্লবগী লম্বী লাক্কদৌরিবনি। হায়না শিংনরগা লুহোং-খোংদোং তৌনরিবসি মুন্না মমুৎ তানা খঙলবা মতুংদা লুহোংনরিবনি। কনা-কনাগুম্বদি লৌনবা য়াদবদা চেনবা চোংবা য়াওরবা ফাদোক্লরিবনি। ৱাখল য়াওদবা ইনখৎলকপা অফ-ফত্ত খঙদ্রিবা তুংগীদমক খন্দুনা থিজিনবা মসিমক অফবা লম্বী হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল